**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-10-2025)**

**দেঙ্গু (এল)ঃ** মনিপুরদা জানুৱারী অমদগী ঙরাং ফাওবদা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা অপুনবা মীশিং লিশিং ৩,৪৬৫ থেংনখি। থা অসিগী ২৬ তগী ২৭ ফাওবদা পুন্না সেম্পল ২২৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১২৪ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানা খ্বাইদগী মশিং য়ামা পোজিটিব ওইবা জিলা ওইরি।

লৈকাই লিশিং ২,১১৪ অমসুং রিলিফ কেম্প তরুক্তা মৈখু কাপথোকখ্রে অমদি লৈবকাই ৩৩ দা সরভিলেন্স চথখ্রে।

রাজ্যগী মেলারিয়া ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী রাম কৃষ্ণা মীসন স্কুল অমসুং উরিপোক খাইদেম লৈকাই, থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকাই, উরিপোক তখেল্লন্বম লৈকাই, থাংমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাই, ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল অমসুং খাগেমপলি পনখা অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা য়ুম ৩০৩ দা সর্ভে চথখি। মদুদা য়ুম ১৭৩ দা দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা মীওইশিং থেংনখি।

**হেলথ(এল)ঃ** ফুদ সেফতি এন্দ ষ্টেন্দরদ এক্ট ২০২৬ কী মতুং ইন্না মীয়ামগী হকশেলগী স্বার্থ য়েংদুনা রাজ্য অসিদা হিদাক মনা নৎত্রগা নিকোটিন য়াওবা গুদখা অমসুং পান মাসালাগী পোৎলমশিং শুংবা, পৈশিনদুনা থন্বা অমদি য়োনবা থিংলে।

হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়গী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি-সুমন সিংহনা ঙরাং থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোটিশ অসি থোকপদগী চহি অমা ফাওবা মনিপুর পুন্বদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়োনবা, পুথোকপা অমদি সপ্লাই তৌবা থিংলে।

**দ্রগ (এল)ঃ** লমদম অসিদা লৈরিবা দ্রগ শিজিন্নবা মীওই ১৯৩ দা অনা লায়েং পীনবগীদমক পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ৪৫ নিগী ওইবা ফ্রি দিটোকফিকেসন কম দি-এদিক্সন কেম্প ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চিংমৈরোংদা লৈবা মৈপাকপী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু য়ুনিয়ন ওফ ত্রিটমেন্ট এন্দ রিহেবিলিটেসন ওফ য়ুজরস ফোর সোসিএল ত্রান্সর্ফোমেসন অমসুং রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমারনা হায়-মনিপুর অসি অপিকপা রাজ্য অমা ওইরবসু মখল মখা কয়াগী হীরমশিং লেপ্পা লৈতনা থেংনরি। মসিগী মনুংদা দ্রগকী সমস্যা অসিসু অমনি। নহাশিংবু নিশাদগী লাপথোকহন্নবা অমসুং অমুক হন্না শিজিন্নদনবা মখোয়বু নীংথিনা লমজিং লমতাকপীরম্বা তঙাইফদে।

**কাডা (এল)ঃ** কোলিসন্স এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাডা) না শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী সন্ধোং অপর প্রাইমারি স্কুলদা মনিপুরগী খুন্নাইদা নিশানা পীবা চৈথেংশিং হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা একাডমীক এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মহৈরোইশিংনা কৈদৌনুংদা নিশাবু চাংয়েং তৌরোইদবনি। নিশা থিংনবা হোৎনবদা লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

**ৱিক(এল)ঃ** ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক ওক্তোবর ২৭ তগী নবেম্বর অনি ফাওবদা ভিজিলেন্স হায়বসি ঐখোয়গী দায়ত্বনি হায়বা হীরমদা পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টনা

ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক পাঙথোক্তুনা মসিগী ৱাশক লৌখি। থৌরম অদুগী মতাংদা সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ-ডা: ৱাই. প্রভাবতিনা হায়-শেঞ্জা থুমজা হায়বসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা শেন্মীৎলোন, পোলিটিকেল অমসুং সমাজবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অপনবা ওইরি।

**ওরেঞ্জ (এল)ঃ** চহি অসিগী দিসেম্বর ১৭ তগী ১৯ ফাওবা তমেংলোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা রাজ্য থাক্কী কোমলা ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দাংশাৱানা সভাপতি ওইদুনা মিণি সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, কুম্মৈ অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা ইংনা তপা পাঙথোকবগীদমক্তনি।

মহাকা হায়-মসিগীদমক সব-কমিতি ২২ শেমলে। কুম্মৈ অসিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-কোমলা ফেষ্টিবেল অসি মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা থৱায় য়াওনা অমসুং মথৌদা পুকিং চংনা হোৎনগদবনি। কুমশি চহিগী ওইনা নুমিৎ হুমনি চথগদবা কোমলা ফেষ্টিবেল অসিদা কোমলা থারিবশিংগী ওইনা বেষ্ট ফামর, ওরেঞ্জ ক্যুইন চাংদমবা, তোঙান তোঙানবা লম কোইফমশিংদা কেম্পিং অমসুং এদভেঞ্চর পাঙথোকপা ম্যুজিকেল নাইত, তমেংলোং গোদ টেলেন্ট অমসুং সেমিনারনচিংবা পাঙথোক্কনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসন ওফিস-থৌবালনা শিনদুনা মীসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিবলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী মখাদা খনগৎলবা লৌমীশিংদা নীংথম থাদা লোকপা য়াবা মহৈ মরোংশিং মরু য়েন্থোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোইল কঞ্জারভেসন অমসুং হোর্টিকলচর ওফিসকী ট্রেন্নিং হোলদা

পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হানা কামৈনা হায়-মীসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিবলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচরগী মখাদা সরকারনা পীরিবা মরু-মরাং অমদি অতৈ থৌরমশিং অসিদগী লৌমীশিংনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন চাউখৎহন্নবা হোৎনমীন্নসি।

**ইমো (এল)ঃ** শগোলবন্দ কেন্দ্রদা ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীশিং ফিভম ফৎচিল্লক্তবা অমদি মসিবু শেমগৎনবগী মতাংদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. আর.কে. ইমোগী য়ুমদা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা পি.ডল্লিয়ু.ডি, কি-স্তোন ইনফ্র প্রাইবেট লিমিটেদ অমদি তোঙান তোঙানবা লৈকাইগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা এম.এল.এনা হায়-কেন্দ্র অসিদা সিৱরেজকী থবক চথুরিবনা লম্বীশিং রিজিট পেপমেন্ট থাবগী থবক মতম খরগী ওইনা লেপলি। মহাকা হায়-লম্বীগী মনুংশিংদা সিৱরেজ প্রোজেক্টকী থবকশিং হৌগদবা ৱাৎপনা পেভর ব্লোক থাদুনা লম্বী শেম্বগী থবক খুদোংচাবা লৈরবা মতমদা হৌগনি। মসিনা মফম অমগা অমগা ফাওনবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

**মৈরা (এল)ঃ** এম.এল.এ. লৌরেম্বম রামেশ্বরনা হায়রি-রাজ্য অসিগী মরুওইবা ৱাথোক কয়াদা মৈরা পায়বীশিংনা মাংজিল থানা চোংথোক্তুনা লাক্লিবা অসিগুমা মীখল চুমা পাঙথোকবা অমসুং অফবা মীহুৎ খন্নবা হোৎনবদা মৈরা পায়বী ইমাশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

ওল কিয়ামগৈ নুপী চাউখৎ থৌরাং লুপ হৌদোকখিবা চহি ৪১ শুবা থৌরমগা মরী লৈননা হবুধৌ খাগেম্বা মচা ইবুংঙো লাইবুংদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ওল কিয়ামগৈ নুপী চাউখৎ থৌরাং লুপকী ফাউন্দর ওইরম্বা অমদি মেম্বর ওইরম্বশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ. রামেশ্বরনা হায়-হৌখিবা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা লমদম অসিগী মমা ওইবী কয়ানা লৌখিবা থৌদাংশিং শিংথানিংঙাইনি। ইং ২০২৭ কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পান্নরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীখলদা মৈরা পায়বী ইমাশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা মীখলগী কাংলোন চুমা পাঙথোকহন্নবা হোৎনবদা ইচং থৌনা শরুক য়াবীয়ু।

**রেড (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ইম্ফাল ইষ্ট ব্রান্সনা শিনদুনা জেনিমস ব্লড সেন্টরদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রেড ক্রোসকী ভোলুন্টিয়ারশিং অমসুং গভরমেন্ট দান্স কলেজগী মহৈরোইশিংনা ঈ দান তৌখি।

**সিবিসি (এল)ঃ** সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন রিজনেল ওফিস-ইম্ফালনা স্বাচতা হি সেবা অমসুং ৱান নেসন, ৱান মীসন, প্লাষ্টিকনা থোকহনবা পোলুসন লোয়শিল্লসি হায়বা পান্দমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ সুপর মার্কেটকী দুকান দারশিং অমদি মফম অদুগী মীওইশিংগা লোয়ননা লু-নানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

**কেম্প (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী অতোন খুল্লেন অমদি তাবম খুলদা ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মদুদা খুঙ্গা ২০০ হেনবরোম লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

**ফেরজোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-ফেরজোলনা শিনদুনা জিলা অসিগী তুনবুং অপর প্রাইমারি স্কুলদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প

অমসুং তাবা ৱাৎপগী স্ক্রিনিং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি সরদার এদ-১৫০ থৌরাংগী মখাদা পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা মীওই ২১২ রোম লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি। কেম্প অদুদা মীওই ৩২ তাবা ৱাৎপগী স্ক্রিনিং তৌখি।

**মেলা (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা সেরিকলচর ক্রিসি মেলা কম ইগজিবিসন অমা থা অসিগী ৩০ দা ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা সি.এস.বি. রিজনেল সেরিকলচরেল রিছার্স ষ্টেসনদা পাঙথোক্কদৌরি। মেলা অসিদা খনগৎলবা সিল্ককী পোৎথোকশিং য়োনগদৌরি। থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা লাক্কুনা পোৎলমশিং অসি লৈবা য়াগনি।

**কেবিনেটঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৮ শুবা সেন্ত্রেল পে কম্মিসনগী টার্ম ওফ রিফরেন্স অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-কম্মিসননা মসিগী কন্সটিট্যুসন শেমখিবা তারিখতগী হৌরগা থা ১৮ ফাওবগী মনুংদা রিকমেন্দেসন পীগনি। মহাকা হায়-কম্মিসন অসিদা চেয়ারপার্সন অমা লৈগনি। পার্ট টাইম মেম্বর অমা অমসুং মেম্বর সেক্রেটরি অমা লৈগনি। মন্ত্রি-মন্দলনা ফোসফেটিক অমসুং পোতাসিক ফরটিলাইজরদা নীংথম লৌরোক্কী ওইনা ন্যুত্রিন বেস সবসিদি রেট পীবদা অয়াবা পীখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-রবি লৌরোক্কী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৩৭,৯৫২ সবসিদি পীবদা মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীরে। হায়রিবা রেট অসি ওক্তোবর অমদগী চৎনবা হৌগনি।

**লম্বীঃ** কেন্দ্রগী রোর্ড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা

হায়রি-নেসনেল হায়ৰে শেন্বদা অমোৎ-অকায় লাখ টোন ৮০ হেন্না শিজিন্নখি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা সি.আই.আই. কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা শ্রী গদকরিনা হায়-ত্রান্সপোর্টকী লমদা ইথানোল অমসুং মেথানোলগুম্বা বাইও ফ্যুয়েল শিজিন্নবনা পোৎ-পুথোক পুশিন তৌবগী চাদিং চাদা ৫ দগী ৬ হন্থরগনি। হায়রিবা অসি চহি অসিগী দিসেম্বরদদি খরা হেন্না অমুক হন্থরগনি।

মন্ত্রিনা হায়-পোৎ পুথোক পুশিনগী মমল হন্থবনা লল্লোন ইতিক তৌবা হেনগৎহন্দুনা পার-কেপিটা ইনকম হেনগৎহনবগা লোয়ননা শোত্থরবা কাংলুপশিং মতেং পাংবদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

**সাইক্লোনঃ** নোংলৈ নুংশিৎ-মোনথাগী ফিভম য়েংলগা কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা রেলৱে ওফিসিএলশিংদা য়ারিবমখৈ চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা পাউতাক পীখ্রে। মরুওইনা অন্ধ্র প্রদেসকী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোঙবান, উরিষ্যা অমসুং তেলঙ্গানাগী মফমশিংদা চেকশিন্নবা খঙহল্লি।

নোংলৈ নুংশিৎ লাক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা রেলৱেজনা পায়খৎলিবা চেকশিন থৌরাং অদুগী মতাংদা পাঙথোকপা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা দিজাস্তর রেস্পোন্সশিং মতম চানা খুদোংথিংবা মফমশিংদা থাজিনবদা অপনবা লৈতনবা হোৎনগদবনি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিগী য়েংলগা দিভিজনেল ৱার রুম মন্ত্রালয়না হাংদোক্লে। মসিগী মথক্তা বিজয়ৱারদা, বিশ্বখপতনম অমসুং গুনতুর দিভিজনদা মেছিনারি অমসুং মেন পৱার য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং থৌরাং তৌদুনা থল্লে।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী মখাদা চত্থরিবা ৩৮ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপারানা ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব টিম (এ) বু পাঞ্জল ১৫-২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এক্স পোলো ক্লব-ৰাংখৈনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব-মোইরাংবু পাঞ্জল ১৩-২ দা থোইখি।

**ওকপাঃ** ভুটানদা পাঙথোকখিবা সাফ অন্দর সভেন্টিন ৱিমেন্স ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী কেপটেন ওইখিবী-জ্লন নোংমাইথেমনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরবদা সেলিন দিজিটেল অমসুং বহুজন সাহিত্য একাডমীনা মহাকপু ইয়ারপোর্টতা তরামা ওকখ্রে।

**ফুটবোল** ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা সাই গ্রাউন্দ তাকয়েলদা চথরিবা ১৪ শুবা জাদোনং মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-নমদিলোং অমসুং গাইদিনজাং পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল অমদা-সুতুদাইনা আলিং এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**চান্দেল (এল)**ঃ সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজ-কোমলাধাবীগী এন্যুয়েল স্পোর্টস মিট ঙসিদগী হৌরে। নুমিৎ মরিনি চথগদবা স্পোর্টস মিট অসি ফিজিকেল এদুকেসন বিভাগ অমসুং আই.ক্যু.এ.সিনা পুন্না শিনবনি।

**ক্রিকেটঃ** জিরিবামদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবা সি.আর.পি.এফকী ১৫৬ শুবা বটালিয়াননা স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা খেল্লো ইন্দিয়াগী মনুং চন্না পাঙথোকপা জিরিবাম ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ঈচেল ক্লব-দুইবোংনা জিরি-দাইনামোস লালপানিবু ৱিকেট মরিদা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেটঃ** রনজি ট্রোফি প্লেট ফার্ষ্ট ক্লাস মেটচকী নাদিয়াটতা লৈবা গোকুলভাই সোমাভাই পতেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মনিপুর অমসুং বিহার দ্রো চৎখ্রে।

**য়ুনিভরসিতিঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ৱেথলিফটিং মেন্স এন্দ ৱিমেন্স কম্পিটিসনগী ঙসি নম্বোল এল. সনোই কলেজতা শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটেগোরিদা অথোই অহেন তান্নখ্রে।